### ৩৭শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

# জুনিয়র বোইজকীদা মেচ অনী মায় পাকখ্রবা মণিপুর কর্ণাটাকাগী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ২৯ (ঐচএনএস) : খো-খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (কে কে এফ আই) গী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমেচর খো-খো এসোসিএ-সন (এম এ কে কে এ) না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগা খূৎশম্নদুনা শিল্লগা পাঙথোকপা ৩৭শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮গী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অনী মায় পাকখ্রবা মণিপুরনা ঙসি শান্নখিবা মেচ কর্ণাটাকাগী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রে।

৩৭শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮গী হুমনি চনবা নুমিৎকী বাসু গ্রাউন্দ খাঙবোক্তা ঙসি অয়ূক শান্নখিবা জুনিয়র বোইজকী মেচশিংদা গুজরাটনা হরিয়ানাবু ১৮-১০দা, অসামনা নাগালেন্দবু ২৬-১০দা, মহারাষ্ট্রনা ছটিশগরবু ১৯-৫দা, অন্ধ্রপ্রদেশনা দেল্লিবু ১৫-১৪দা, ছটিশগরনা মধ্য প্রদেশপু ১০-৮দা, ত্রিপুরানা বিহারবু ১৮-১৭তা, কোলহাপুরনা চান্দিগড়বু ১৭-১১দা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মধ্য ভারতপু ২০-১৩দা, কর্ণাটাকানা মণিপুরবু ১৪-৪দা মায়থীবা পীখি।

জুনিয়র গার্লসকী ঙসি অয়ূক শান্নখিবা মেচশিংদনা মহারাষ্ট্রনা ছটিশগরবু ২৮-২দা অদুগা কোলাপুরনা বিদরভাবু ১২-৭তা মায়থীবা পীখি। নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮গী হুমনি চনবা নুমিৎকী মেচশিং হৌদোকপগী থৌরমদা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ জাদুমনিনা প্রসিদেন্ট অমসুং খো-খো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি এম এস টিয়াগীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

৩৭শুবা নেসনল জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮গী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা জুনিয়র বোইজকী মেচশিংদনা কর্ণাটাকানা মধ্য প্রদেশপু ২১-২দা, মহারাষ্ট্রনা ত্রিপুরাবু ১৬-২দা অমসুং মধ্য ভারতনা হিমাচল প্রদেশপু ২১-৪দা মায়থীবা পীখি। জুনিয়র গার্লসকী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেচশিংদনা ছটিশগরনা সিক্কিমবু ১৩-৩দা, মহারাষ্ট্রনা ত্রিপরাবু ২৮-১দা, গজরাটনা বিহারবু ২১-৯দা, ওদিষানা হিমাচল প্রদেশপু ২০-১৭দা অমসুং গুজরাটনা বিদরভাবু ১০-৪দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা জুনিয়র বোইজগী মেচশিংদা মণিপুরনা ছটিশগরবু ১৪-১০দা অমসুং মধ্য প্রদেশপু ২৫-৩দা মায়থীবা পীখিবনি। অতোপ্পা মেচশিংদনা টামিল নাদুনা নাগালেন্দবু ১৮-৩ দা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা হিমাচল প্রদেশপু ১৩-৩ দা, উত্তর প্রদেশনা বিহারবু ১৮-৪দা অমদি ত্রিপুরাবু ১৩-৫দা, কর্ণাটাকানা ছটিশগরবু ১৫-৭তা, বিদরভানা মধ্য ভারতপু ১৯-৭তা, টামিল নাদুনা অসামবু ১৯-১৩দা, কোলাপুরনা গোৱাবু ২০-২৫দা, ছটিশগরনা গোৱাবু ১৬-১৫দা অমসুং বিদরভানা হিমাচল প্রদেশপু ১২-০দা, দেল্লিনা পুদুচেরিবু ২২-৪দা মায়থীবা পীখিবনি।

পনবা য়াবদি, চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপাগী টিম ৩৪, নুপীগী টিম ৩৪ পূন্না টিম ৬৮গী ওফিসলশিং অমসুং শান্নরোয়শিং পূন্না মীওই লিশীং অমা হেনবনা শরুক য়ারিবনি।

### গভর্ণরস কপ পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮

# মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বিনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকা ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি

ইম্ফাল, মার্চ২৮ (ঐচএনএস) : মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শিন্দুনা মপাল কাংজেবুংদা পাঙথোক্লিবা ২৮শুবা গভর্ণরস কপ ইনভিটেসন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেলদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-বি (এম পি এস সী-বি) না চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকা থেঙ্গাইনরগনি।



তোঙান তোঙানবা টিম ১৪না শরুক য়ারগা নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্লিবা ২৮শুবা গভর্ণরস কপ ইনভিটেসন পোলো টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী এম পি এস সী-এ অমসুং এম পি এস সী-বি শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। টিম অনীমক্না ফাইনেল য়ৌনবগীদমক শান্নখিবা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এম পি এস সী-বিনা এম পি এস সী-এবু পাঞ্জল ৮-৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখিবনি। এম পি এস সী-বিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ টি প্রদিপকুমারনা অহানবা চক্রগী মিনিট ২গা সেকেন্দ ১২, মিনিট ৪গা সেকেন্দ ৫৪, অনীশুবা চক্রগী মিনিট ৭কা সেকেন্দ ২২ অমসুং অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ১গা সেকেন্দ ১ চৎপদা পাঞ্জল ৪, টিম অসিগী কেপ্তেন জর্সি নম্বর ১ এম জৱান্না অহানবা চক্রগী মিনিট ৩গা সেকেন্দ ৭ অমসুং মরিশুবা চক্রগী মিনিট ৬কা সেকেন্দ ৪৭ চৎপদা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ২ ঐচ অবুং খুমন্না অহানবা চক্রগী মিনিট ৬কা সেকেন্দ ৪ চৎপদা পাঞ্জল ১ অমসুং জর্সি নম্বর ৪ ও সুরেসনা মরিশুবা চক্রগী মিনিট ৬কা সেকেন্দ ৩৪ চৎপদা পাঞ্জল ১ চনখিবনি। সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌরবা এম পি এস সী-এগী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ রঞ্জিৎনা অহানবা চক্রগী মিনিট ৫গা সেকেন্দ ৩৮ অমসুং অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ৫গা সেকেন্দ ৫০ চৎপদা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ৪ পি জোতিন্না অনীশুবা চক্রগী সেকেন্দ ৫৪ অমসুং জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ রঞ্জিৎনা অনীশুবা চক্রগী মিনিট ৫গা সেকেন্দ ৩৩ চৎপদা পাঞ্জল অমমম চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ঙসি নুংথিল পুং ৩.১২ তাবদগী চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব অমসুং এক্স পোলো ক্লব শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা চক্র ফাওবদা চন্নখিবা পাঞ্জলশিং য়েংনবদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা এক্স পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙখিবনি। চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ এ বসন্তনা অনীশুবা চক্রগী মিনিট ৭কা সেকেন্দ ১৯ চৎপদা পাঞ্জল ১, জর্সি নম্বর ৩ টি লৈশেম্বনা অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ৪গা সেকেন্দ ৩০ চৎপদা পাঞ্জল ১, জর্সি নম্বর ৫ এল কোকেশ্বরনা মরিশুবা চক্রগী সেকেন্দ ৩০ অমসুং মিনিট ৭কা সেকেন্দ ২১ চৎপদা পাঞ্জল অনী চনখিবনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা এক্স পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৩ পি ওজিৎনা অহানবা চক্রগী মিনিট ৫গা সেকেন্দ ৯ অমসুং অনীশুবা চক্রগী মিনিট ৫গা সেকেন্দ ৩ চৎপদা পাঞ্জল ২ অমদি জর্সি নম্বর ১ টি ঐচ জেকোবনা মরিশুবা চক্রগী মিনিট ১গা সেকেন্দ ১৬ চৎপদা পাঞ্জল অমা চনখি।

কার্টর ফাইনেলদা এম পি এস সী-বিনা নম্বুল মপাল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১২-১দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি। অদুগা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা খুরাই পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৭তা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

২৮শুবা গভর্ণরস কপ ইনভিটেসন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেল হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা এম পি এস সী-বি অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব শান্নরগনি। অদুগা ১৭শুবা গভর্ণরস কপ ৱিমেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেলনা হয়েং ইম্ফাল রাইদিং ক্লব অমসুং কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল শান্নরগনি হায়রি।

### অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# কে ৱাই এল এস সী, ৱাই পি এ, বাখে অমসুং এম পি এস সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৮ (ঐচএনএস) : লিলোং চজিং য়ুথ কম্যুনিতি সেন্তর কম কলচরেল ইন্সটিট্যুট (এল সী ৱাই সী সী সী সী আই), লিলোং য়ঙ সোসিএল সার্ভিস য়ুনিয়ন (এল ৱাই এস এস য়ু) অমদি মাইরেনখোং রাইজিং ক্লব (এম আর সী) গা খূৎশম্নরগা শিন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা কে ৱাই এল এস সী কাচিখুল, ৱাই পি এ হিরানমৈ, বাখে লম্ফেল সনাকৈথেল অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) মায় পাকখ্রে।

অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মরিনি চনবা নুমিৎকী অহানবা মেচতা কে ৱাই এল এস সী কাচিখুলনা এল সী ৱাই সী সী সী সী আই চজিংবু ৩-১ (২৫-২২, ২৫-২৭, ২৫-১৯, ২৫-২১) দা, অনীশুবা মেচতনা ৱাই পি এ হিরানমৈনা আই জি ও ওইনামবু ৩-১ (২৫-২৩, ১৬-২৫, ৩১-২৯, ২৫-১৮) দা, অহুমশুবা মেচতনা বাখে লম্ফেল সনাকৈথেলনা মিখ্যা ময়াং ইম্ফালাবু ৩-০ (২৫-১৯, ২৫-২১, ২৬-২৪) দা, মরিশুবা মেচতনা ৱাই পি এনা এল সী ৱাই সী সী সী সী আই চজিংবু ৩-২ (২১-২৫, ২৫-২৩, ২৭-২৫, ১৩-২৫, ১৫-৮) দা অমসুং ৫শুবা মেচতনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) না মিখ্যা ময়াং ইম্ফালবু ৩-০ (২৫-১৩, ২৫-১৫, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীখি।

### ৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল মেন্স ওপন দে এন্দ নাইট ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এল এস আই সী লমলাইনা ৱাই পি সী লাঙ্গোল ভিলেজপু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ (ঐচএনএস) : সোসিএল এনভাইরোনমেন্ট দিভলপ-মেন্ট ওর্গেনাইজেসন (এস ঈ দি ও) না শিল্লগা শিংজমৈ সাপম লৈকায়দা লৈবা এস ঈ দি ও (সেদো) গী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা ওইনাম চার্লিস মেমোরিএল মেন্স ওপন দে এন্দ নাইট ফাইভ এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এল এস আই সী লমলাইনা ৱাই পি সী লাঙ্গোল ভিলেজপু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অনীনা দ্রো চৎখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ২৮না গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ ষ্টেজগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা দিনাই এফ সী হৈরোক অমসুং ঐচ দল্লিয়ু সী লংথবাল শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৬শুবা মিনিটতা দিনাই এফ সীগী জর্সি নম্বর ১২ ননাওনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক ঐচ দল্লিয়ু সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ঐচ দল্লিয়ু সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবনা দিনাই এফ সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

দিনাই এফ সীনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থারক্লিবা গোল অদু হন্দে দাক্তবা য়াদে হায়বগী মতাগুম ঐচ দল্লিয়ু সী লংথবালগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফতা অকনবা এটেক চথুরকখি। মেচকী ২৬শুবা মিনিটতা ঐচ দল্লিয়ু সীগী জর্সি নম্বর ৯ চেতন্না গোল অমা চল্লগা দিনাই এফ সীনা মাঙজিল থারম্বা গোল অদু হন্দে দাকখি। গোল ইক্কেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা কন্না হোৎনরবসু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ঙম্নখিদবনা দিনাই এফ সী অমসুং ঐচ দল্লিয়ু সী গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা অমসুং ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই পি সী লাঙ্গোল ভিলেজ অমসুং এল এস আই সী লমলাই শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মেচকী ১০শুবা মিনিটতা এল এস আই সীগী জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ অনোয়না মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিম্বু মাঙজিল থাহনবদা নত্তনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনবা হৌখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ১৬শুবা মিনিটতা এল এস আই সীগী জর্সি নম্বর ৯ ঈ অবোচানা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গোলশিং অদু ৱাই পি সীগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমখিদবনা এল এস আই সীনা গোল ২-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৩১শুবা মিনিটতা ৱাই পি সীগী জর্সি নম্বর ২ কে কোৱারসন্না গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ১-২দা লৈহনখি। অদুবু মেচকী ৩৮শুবা মিনিটতা এল এস আই সীগী জর্সি নম্বর ১০ এস হেরোজিৎনা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনশিল্লকখি। মেচ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এল এস আই সীনা হেল্লগা চৎলিবা গোল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা ৱাই পি সী মায়থীহৌখি। এল এস আই সীনা মেচ অদু গোল ৩-১দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা টি ৱাই দি এ তৌবুল অমসুং মামা এফ সী শগোলবন্দ শান্নখি। টিম অনীমক্না মেচ অদু অকনবা লম্বা তৌনরগা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৭শুবা মিনিটতা টি ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ১৭ ঈ দয়ানন্দনা গোল অমা চল্লগা মহাক্কী টিম্বু মাঙজিল থাহনখি। অদুবু মেচকী ১৮শুবা মিনিটতা মামা এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ গোলমৈনা গোল অমা চল্লগা টি ৱাই দি এগী গোল অদু হন্দে দাকখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নখিদে। অনীশুবা হাফতসু টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী টি ৱাই দি এ তৌবুল অমসুং মামা এফ সী শগোলবন্দ গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

### লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীং মায় পাকখ্রে, এফ সী পুংদোংবম অমসুং এফ সী তেলৌ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৮(ঐচএনএস) : ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন নোংপোক ককচীংনা শিল্লগা ইবুধৌ খমলাংবা লম্পাক্তা পাঙথোক্লিবা মঙাশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীং মায় পাকখ্রে। অদুগা এফ সী পুংদোংবম অমসুং এফ সী তেলৌ দ্রো চৎখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ২৪না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্লগা পাঙথোক্লিবা মঙাশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ১৮শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন পি ৱাই সী নাপেৎপল্লি অমসুং বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীং শান্নখি। মেচ অদু বি এস য়ু-এনা লাকচরপ তৌনা শান্নখিবগা লোয়ননা এন পি ৱাই সীবু গোল ৫-১দা মায়থীবা পীখি। বি এস য়ু-এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ ৱাই গোবিন্না মেচকী ৫শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ২৩ এস সনাতোম্বনা মেচকী ১১শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৭ এন প্রিয়ানন্দনা মেচকী ২৪শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ৮ সী ঐচ দয়ানা মেচকী ২০শুবা অমসুং ২৮শুবা মিনিটতা গোল ২ চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এফ সী তেলৌ অমসুং এফ সী পুংদোংবম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচকী অপীবা মতম লোইশিল্লকপদা এফ সী তেলৌ অমসুং এফ সী পুংদোংবম গোল ২-২দা দ্রো চৎখিবনি। এফ সী তেলৌগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৮ কে ইবোতোম্বনা মেচকী ৬শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১০ এন জি জিটেন্না মেচকী ২৩শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি। অদুগা এফ সী পুংদোংবমগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ লকিসন্না মেচকী ২৭শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ৮ আই ইন্দ্রনাথনা মেচকী ২৯শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি।

### মরিশুবা এম সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮

# সী আর এ য়ু খম্নাম বজারনা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) না শিল্লগা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা এম সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সী আর এ য়ু খম্নাম বজারনা আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ২১না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা মরিশুবা এম সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৪৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি সী আর এ য়ু খম্নাম বজার অমসুং আর আর সী সী চুড়াচান্দপুর শান্নখি। মেচ অদু আর আর সী সী চুড়াচান্দপুরনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা আর আর সী সীনা ওভর ১৭.৪দা ওল আউট ওইরগা রন ৫২ লৌখি। আর আর সী সীগী ইলাননা বোল ২৪দা রন ৭, মোন্না বোল ৩দা রন ২, হাওমিনথাংনা বোল ১৬তা রন ২, নেখোলুন্না বোল ১১দা রন ২ অমসুং মোঙনা বোল ১৪দা রন ১৪ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সী আর এ য়ুনা ওভর ৫.১দা ৱিকেট অমখক তুরগা রন ৫৩ লৌদুনা মেচ অদু ৱিকেট ৯দা মায় পাকখিবনি। সী আর এ য়ুগী সোমিটদেবনা বোল ৯দা রন ৫, অমিট কুমারনা বোল ১৩দা রন ১৯ অমসুং বিমলনা বোল ৭তা রন ১২ লৌখি। মেচ অদুদা সী আর এ য়ুগী সোমিটদেব অমসুং অনিলনা ৱিকেট ২/২, প্রেমজিৎনা ৱিকেট ১ অমসুং প্রেমজিৎনা ৱিকেট ৫ লৌখি। ওভর ৩.৪ লংবদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মহাক্কী টিম্বু মায় পাকহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা সী আর এ য়ুগী অজেনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

মরিশুবা প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৮ অসিগী মখা চথুরকপা ওইনা হয়েং টি সী এম দি সী থোংজু অমসুং য়ু সী সী উরিপোক শান্নরগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com